# ‘‘থম্বালনু শাবী’’ হায়না খঙনরিবী মমিং লৈরবী এক্টর রাজকুমারী হেমাবতি

*- নানি*



*‘‘পুল্লে নাপোম শাবা কান, ইঙা-ইঙেন শিন্নবা কান, নুজা ওইবী ঐগী পুন্সি, পাম্মু নাক্তা শাৎচরগে, হায়নবা থানবা ৱাংলেন য়ৌরক্লে..., ইতাসা নখোয়না নতা ঐ শক্তুনা, পলেম মোংবা মরানয়াইদা লৈহৌখো, পলেম ইমা লায়রবী, ইদু নিংথৌ চাওদ্রিবা, য়েংবিহৌ কোনবীহৌ, ঐদি চৎলগে, ইতা মাঞ্জা কাদা চৎলনি, ঐদি মাঞ্জা কাদা চৎলনি, ইতা উরিরৈ, ইতা তখেল্লে, নখোয় ঐবু ৱারৌনু, লৈহৌরো চৎলগে’’*

বি. জয়েন্তকুমার শর্ম্মনা শৈরাংবা, নোংমাইথেম পহারীনা কম্পোজ তৌখিবা, চোংথাম কমলানা শকখিবা ঈশৈ অসিবু ঙসি কনানা কাওবা ঙম্লিবগে? ঈশৈ অসি **‘‘য়াইরিপোক থম্বালনু’’** হায়বা ফিল্ম অদুগী য়াম্না নুংশিবা মতাং অমদা থম্বালনুনা মহাক্কী ইংখোলদা হৌরিবা লৈরাংশিংদা পুকমেন পাওমেন্নদুনা শকখিবা ঈশৈনি।

ঈশৈ অসিবু ফিল্মদা এক্ট তৌখিবী আর. কে. হেমাবতিগী তুংদা লাক্কদবা ফিল্মগী লম্বী অমা থোনবা হৌখিবা য়াম্না চঙখোনখিবা ফিল্মনি। ফিল্ম অসিদা থম্বালনু শারনি হায়নবদগী হৌনা ‘‘থম্বালনু’’ ‘‘থম্বালনু’’ হায়না মমিং চৎখিবীনি। মতমদুদা সাই কক্তুনা সাইজে াননা জোন জোন তাদুনা সাইকল অমা তোংলগা মচু তানা চৎখিবদা অচৎ-অওক খূদিংমক্লা চেপথা চেপথা য়েংনহৌবী আর. কে. হেমাবতি ঙসিদি মণিপুরী ফিল্মগী তাঙলবা লন অমা ওইদুনা লৈহৌরে। **য়াইরিপোক থম্বালনু** ফিল্ম অসি নম্বা হৌরুরগা চহী কয়া অমা লেপ্তুনা লৈখি। মরক অসিদা অঞ্জনা ফিল্মসগী খোঞ্জেল হায়রিবা ফিল্ম অদুদা এসাইনমেন্ট পীদুনা সূটিং হৌখি। **য়াইরিপোক থম্বালনু**দগী **খোঞ্জেল** ফিল্মনা হান্না কুমজা ১৯৮১দা রিলিজ তৌরকখি। ফিল্ম অসিদা মমিৎ তাঙবী ঈং-তপ্পী রোল অমা লৌরকখি। য়াম্না পকচখি। অসুম্না মণিপুরী ফিল্মগী একাউন্ট হাংলক্তুনা ব্রাইট ফিল্মগী ফিল্ম কয়াদা অমুক উবা ফংলকখি।

লমদম অসিগী মশক নাইরবা এক্টর, রাজকুমারী হেমাবতিগা ৱারী শাজরুবদা পাউদম্লকপশিং অদুদগী খরদং মেনখৎচরগা মীয়ামদা অমুক হন্না পাউদমজরি। এক্টর অসি নোংমৈবুংদা পোকখি অদুগা য়ুম্না কঙাবম লৈকায়দা পানখি। গভর্ণমেন্টকী থবক অমা তৌরম্মী, অদুবু হৌজিক্তি পেন্সন ফংদুনা য়ুমদা পোত্থাদুনা লৈরে। অয়ুক্তা মশাগী শাজেল ওইনা তাইচি, যোগনচিংবা চাং নাইনা শান্নরি। অদুনা থোইদোক্লা হৌজিক ফাওবদি লায়না-তীন্না লৈত্রি। মশা-মঙ তিক তিক লাওনা লৈরি। নাচোম চিনবদা ওন্থোক্লা পকচবীনি। এক্টর অসিনা হায়রপ কেরপ লাকপা উবসিদি ‘‘নিংঙোল চাক্কৌবা’’ হেক্তা নীংশিংবনি। চন্দোন-চৱাগকা থিনবসিদি ওন্থোক্লা পকচৈ। শেৎলি-ইল্লিবা খূদিং পকচদবা লৈতে। নাচোম অমগা নাপ্পদা চিনবসিদি, নোংমাইথেম পহারীগী, বি. জয়েন্তকুমার শর্ম্মনা ইবা ঈশৈ *‘‘তখেল্লে নাচোমনা নাপ্পদা, চিনি চম্প্রানা শমজিদা, লৈরাংগী ফজবা, শিঙেলগী নীংথিবা, নুজা নপান তাঙজবীনি’’* হায়বা ঈশৈ অদুসু নীংশিংলক্কনু য়াদে। শক্লাইরবী এক্টর অসি পীক্লিঙৈদদি ঙসি মহাক্লা ওইরিবা ফীভম অসিদা লাক্কনি হায়বসি মঙদা ফাওবা অমুক্তা মঙলকখিদে হায়না তাকপীরকখি। মখা তানা থম্বীরকখিবদা, আর্ট হায়বসি থোইদোক্লা কা হেন্না অপাম্বা লৈরকখিদে, অদুবু ঈশৈদি খরা খরা পামজবগী ঙংলকখি। রেদিওদা তাবীনিংবা ঈশৈ লাকপা মতমদা নোংমত্তা তাখিদবা য়াওখিদে। মতমদুদা তাবীনিংবা ঈশৈ অসি য়ুমশকৈশা নুমীৎকী নুমীদাং পুং ৯.৩০দা হেক হেক শন্দোক্লম্মী। নিংথমথাগী মতমদদি মসি য়াম্না থেংলে হায়না লৌনৈ, লোয়ননা অঙাংশিংদি তুমথনখি। মহাকপু পোকপী ইমাদা



ঈশৈ লাক্লগা হৌদোরকউ হায়দুনা শীন্নরম্লগা ঙাইহাক তুম্লিঙৈদা, মমানা নুংঙাইনা তুমজরি, পোত্থাজরসনু হায়না হৌদোক্তবদা নোংঙাল্লগা ইমাদা য়াম্না শাওরকখি। নুমীৎ নীনি হুম্নী ফাওবা মশাদা শাওরুংননা লৈরকখি হায়না পাউ তম্বীরকখি। মশক নাইরবী এক্টর অসিনা মখা তানা ৱারী লীবীরকপদা, পীক্লিঙৈদা মশাগী য়াং য়াম্না কংবগা লোয়ননা কুচুসু য়াম্না মুরকই। অদুনা মী পুম্নমক্লা, স্কুলগী ওজাফাওবা য়াওনা ‘‘অমুবী’’ হায়না হেক হেক লক্লবীখি। মসিদা ৱাখলদা য়াম্না নুংঙাইতবা ফাওখি। লৈশাবী পুংকক ফারক্লবদা, নোংমা মমান্নবীশিংগা লোয়ননা বজারদা ব্লেক এন্দ হ্বাইটকী ফোটো অমা পুন্না নম্মিন্নখি। মদুদা য়েংবদা থোইদোকনা মহাক মুনা থিবগী মশক উবা ফংখিদে। য়েংবা য়াবা, অমদি মশানা পেঞ্জবগী শক্তমদু উবদা নুংঙাইজখি। ফোটোদু মোন মখাদা থল্লগা চেপ্লগা অমুক য়েংই, লোংলগা অমুক উপ্লগা অমুক য়েংবদা কা হেন্না থিবা হায়বদুদি ওইদেদা হায়না খঞ্জখি। লোয়ননা অনৌবা আশা অমা পোকহল্লকখি। নোংমা *‘‘য়াইরিপোক থম্বালনু’’*গী *থম্বালনু* শানবা এক্ট্রেস অমা থিরি হায়বা পাউ তাবদা মহাকসু ফোটোগকা নল্লগা, এপ্লিকেসন ফোর্ম থাজিনখি। খরা লৈরগা সাইগা হাপ্পগা, মেক অপ তৌরগা *‘‘থম্বালনু’’* খন্ননবগী কৌরকখি। মদুদা মশক ফজবী ময়াম অমা পৈদুনা লৈরম্বদু উবদা, নীংবা কায়খি। মরমদি কুচু ঙৌবী ফজবী ময়াম অদুদগী ওইনা শোয়দনা খনখ্রগনি, ঐবুদি খল্লরোইদপোৎনি হায়না হাইফেৎ নীংবা কাইরুই। অদুবু সাই হাপল্লগা, সাইজোনদুনা জুম জুম তাবদুদা, মায়দুগা ওন্থোক্লা চান্নবা চুনবা উবদগী *‘‘থম্বালনু’’*গী রোল অসি রিজার্ভ তৌদুনা খনবীখি হায়না নোক্তুনা ৱারী শাবীরকখি। নুমীৎ অদুমক্তদা ঐগীদি সাইসি ইশাগী ওইনা ককচগে হায়দুনা সাইদু ককখি। মশমনগা মুনা শাংবনে, মতমদুদা লম্বী অচৎ-অওকশিংনা মহাক্তবু য়েংনরকখি। তশেংনমক্তি এক্টর অসি *‘‘য়াইরিপোক থম্বালনু’’* ফিল্ম থোরক্ত্রিঙৈদগী হৌনা ‘‘থম্বালনু শাবী’’ হায়না খঙনবা হৌরকখিবনি। ফিল্ম অসিগী রোল অসি কুম্নবা হোৎনবদা, থা মরিরোম রিহার্সেল তৌখি। অয়ুক পুং ৯দগী হৌরগা নুংথিল পুং ৬ ফাওবা লেপ্তুনা রিহার্সেল তৌখি। তোঙান তোঙানবা মতমদুগী ওজা কয়াশিংনা ট্রেন তৌরকখি। নোংমত্তা ৱাই হায়না ছুটি লৈথোকখিদবদুনা আর্ট এক্টিংগী বেসিক খরগী মমিদি হৌজিক ফাওবা নপ্তুনা লৈহৌরি। হৌজিক্লা অমুক মদুগী বেসিক ময়ামশিং অদু এপ্লায় তৌদুনা রোল কয়া শারকপদা অঙকপা এক্সপরিয়েন্স অমনে, মশাগী পোকপদগী পীথোরকপনে পুনশিন্নরগা অয়েংবা পুম্নমক্কী পূক্লিং হুবা ঙম্লি। মায় পাকপী এক্টর অমা ওইরি।

ফিল্ম অনী অসিগী মতুংদা, মতম কুইনা অমুক লেপ্তুনা লৈরুরবা মতুংদা ব্রাইট ফিল্ম থোরকপদগী, কম্পেনি অসিনা পুথোকপা ফিল্মশিংদা মথং মথং রোল লৌদুনা ফিল্মদা মতিং ফুদোকপা হৌরকখি। অসুম্না লেপ্তুনা চত্থরকপনা মণিপুরদা দিজিটেল ফিল্ম লাকপদগীদি ফনা নীংথিজনা শরুক য়াবা হৌরকখি। হৌজিক ফাওবদা মীয়াম্নসু হেন্না খঙবীরি, এক্টর অসিনা কুম্বা ফিল্ম কয়া। ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী দ্রামাগী ভোকেল আর্টিষ্ট অমা ওইনসু রেদিও প্লে কয়া অমদা শরুক য়াখি। লিটরেচরগী থৌরম কয়াদসু শরুক য়ারকখিবা মীয়াম্না উরকখি। মণিপুরী ফিল্মগী ওইনা য়েংবদা এক্টর অমা ওইনা রাজকুমারী হেমাবতি খুৎ থেকপদা চিত্থবা য়াদবা মীশক অমা ওইরিবনি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ০৮। ০৮। ২০২১ ইং, নোংমাইজিং;
ইঙেনগী থাশু।

মেষ: অঙনবদা নচাক নরল চাওখৎকদবা খোঙশাল লৈ। ইমুং মনুংগী মী লোয়নবা কান্নগনি অমদি মীয়ামগী থবক পাঙবা য়াগনি। অনম তানবদি মরুপ কায়নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ঈংথনা লৈজবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ: য়েৎনবা য়াবা অমদি শাওনবা য়াওদনবা হোৎনৌ। অতৈদি ঙম্নমক মায় পাক্কনি। নচাক নরল চাওখৎপগী নুংঙাই অমদি অরং অরাক ফংবগুম মীংচৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন: অচুম্বা অমদি লৌশিংনা পাঙ্গল ওইগদবা নুমীৎনি। য়ুমগী মীগী ৱা তাদবা তৌগনু। ঙাংবা শকপা হৈবা ৱাৎলি অমদি খুৎ চাওবা য়ারোই।
লৈশা পাখংশিংগী - লান্দবনা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

কর্কট: পাউ নুংঙাইবা তাজবা, নীংবা মপা চাবা, হকচাং খিঙবা অমদি মীয়াম্না তেংবাঙবীবা নুমীৎনি। ৱানোম থৌনোমদি মায় পাকপা ৱাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল য়াম্না নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

সিংহ: তপনা ঈংনা থৌপাংলিমখৈ শাফগনি। পোরম নিংথিনা য়াৎতুনা অমদি মীনা তানিংনবা ঙাং-শকপনা অচৌবা কান্নবা ওইগনি, ফিংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবা থেংনা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কন্যা: খুৎ চাওবগী কান্নবা অমদি থবক্কী লমদা হরাওবা ফংজৌ হায়বা নুমীৎনি। মতম মাঙহনগনু অমদি মীনা ইনশিনবা ঙায়দনা থৌপাংহৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - খাঙবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা: লৌশিং চাওবা নুমিৎনি, মীবু ৱাখল তাহনবা ঙমগনি, অচুম-অরান খঙগনি অমদি অনীংবা থবক পাংগনি। হন্থবদি লোয়নগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : অনম তানগনু, য়ারদি নোল্লুক্লা চৎপা অশিংবা ওইগনি। হুরানবনা মাঙহন তাকহন্নবা লেপ্তুনা হোৎনৈ হায়বসি কাওদবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।


ধনু: মীংচৎ তানবদি শোয়দনা মায় পাক্কনি, নচা-ননাইসু ফংজগনি অমদি থৌনা লৈবনা অঙম্বনা লুনা তৌগনি। অদুবু চরাংনরদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবদি তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

মকর: য়েৎনবা অমদি ৱাফংনবা য়াওগনু, করিসু নত্তবদা মীমাং থোক্কনি। অচুম্বনা মাঙওইনৌ অমদি নঙগীনি খঞ্জবা মীনা হায়বা তাউ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

কুম্ভ: মহু চাওবনা মরুপ কায়ননবা শীনবা অমদি লৌশিং ফুদোকপা ৱাবা লৈরসু লাইবক ফবনা নীংবা মপা চাগনি অমদি মীনা লাকচবা ঙমলোই।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল খরদি লাক্লনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

মিন: ঈংনা থৌপাংবনা য়াইফবা ওইগনি, নীংবদুমক পাঙদা য়াদে খনগনু অমদি য়ারগদি অরুবা থবক পাঙদবনা ফৈ। থেংলপ্না কান্নবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।




ববলু : চাইনাদা পোৎশক খুদিংমক দুপ্লিকেট শাই হায়বদু লাল্লি।
বন্তা : মতৌ করম্না লাল্লিবনো?
ববলু : হন্দক শারক্লিবা কোরোনা ভাইরস অসি য়েংঙুদনা ওরিজিনেলদগী হেনখ্রে, য়াম কুইনা চৎলি।

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

নুপা অমা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শিখি
স্বর্গ য়ৌরবা মতুংদা তাইবঙমপুদা মহাক্লা হংই-
মপুইবুংঙো ঐবু করিগী কনবিবা লাকপিদ্রিবনো?
মপুইবুংঙো : অপঙবা ! করিগুম্বা মতমদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা, করিগুম্বা মতমদনা চীফ মিনিষ্টর, দি সী অমুক ওই, করিগুম্বা মতমদনা অমুক পুলিস ওই। চাম্মরকনি ঐনা লাক্তুনা হায়খিবা য়ূমদগী মপান থোক্কনু-থোক্কনু হায়না। তাবা কৌবা লৈখিব্রা? নঙবু করম্বা মহাভারতকী আর্জুন ওইদনা ঐনা ৱিরাত রুপ লৌরগা তাক্কদৌরিবনো?

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

মপুরোইবা : নঙনা থোংলিবা এঞ্জাংসিবু করিনো গ্যান তাদ্রে, থুমসু থাক্ত্রে, মোরোকসু য়াওদে, লোয়না চল্লে। মতম পুম্নমক্তা মোবাইলদা অদুমক ঙাওদুনা লৈয়ু। এঞ্জাং থোংবদা করি-করি থাক্কনি হায়বা কাউবা মখৈ।
নুপী : মোই পাবুং নঙ হান্না অমুক্তা মোবাইল য়েংলগা চাক চাবদু লেপ্পু নঙনা এঞ্জাংনি হায়না হৈরগা চারিবদু ঈশিংনি ....!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

ওজা : তোম্বা ঐনা পীরিবা ৱাহৈ অনীসিগী খেন্নবা করিনো হায়য়ু?
১. মহাক্লা কোন ফেংই।
২. মহাক কোন ফেংবা মথৌ তারে।
তোম্বা : অহানবা ৱাহৈ অসিদনা ভর্ব অসি লুহোংদ্রিবা নুপানি। অদুগা অনীশুবা ৱাহৈ পরেং অসিগী ভর্ব অসিনা লুহোংলবা নুপা অমনি।

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

ট্যুসন মাষ্টর : গধা নঙনা করিগীনো হোম ৱর্ক তৌরক্ত্রিসিনা?
তোমচা : ৱাগী ৱা ফজনা হায়বিয়ু কষ্টরমদা অদুমাইনা ৱা ঙাঙবা হৌনব্রা ...!!!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

কোভিদ মতমদা দুকান্দা পোৎ লৈবদা থোকপা থৌদোক...
দুকান মপু : করি পীয়ু হায়বনো?
পোৎ লৈবা নুপা : অচাথাউ লিটর অমত্তা পীয়ু।
দুকান মপু : অতৈদি করি-করি পাল্লিবগে?
পোৎ লৈবা নুপা : গভর্ণমেন্ট জোব পীবিরবদি য়াম্না নুংঙাইগনি...!

☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা ড্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।



Title : Rose Fairy
By : Ch. Dhanaraj
Class : I Sec: A Roll : 4
School : Global School of Human Resources



Title : Disneyland
By : Durjaya Lanchenba
Class : V Sec: A Roll : 3
School : UNACCO School




Title : Darkria King of Dark
By : Jetish Srokhaibam
Class : V Sec : A Roll : 6
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Solar System
By : M. Tomthin
Class : III Sec : B
School : Little Fairy Public School, Delhi



Title : Snowman
By : Marson Meitei Thoudam
Class : II Roll : 51
School : Laisukol, Thoubal Achouba



Title : Pangamdem
By : Neymar Khuraijam
Class : Nursery Roll : 9
School : The Modern Kid's Care School, Waikhong




Title : Nurabi
By : Nungshitombi Ngamom
Class : VIII Sec : A Roll : 27
School : Paree Imom Sindam Sang, Langjing




Title : Dog
By : Olivia M
Class : IV Sec : D
School : Catholic



Title : A Flower Fairy
By : Sabrina Ali Khan
Class : III Roll : 11
School : RK Sanatombi Devi Vidyalaya



Title : Abraham Lincoln
By : Sougrakpam Thenga
Class : VI Roll : 14
School : St. Francis of Assisi, Bamon Kampu



Title : Carrot
By : MM. Sufiyan
Class : IV Roll : 04
School : Little Angels Academy




Title : Ecosystem Restoration
By : Tabrina Pukhrambam
Class : III Sec : C
School : Poeter making of river and sea creatures



Title : Aquarium
By : Yumnam Lingjelba
Class : I Sec : A Roll : 26
School : UNACCO School, Meitram



Title : Stop Water Pollution
By : Yumnam Sanjana Devi
Class : IV Sec: C Roll : 65
School : Little Flower School




Title : Mickey Mouse
By : Ngangom Jackson Meitei
Class : VI Sec : Daffodil Roll : 16
School : SL Arena of Learning



Title : A girl holding a puppy
By : Simly Henam
Class : VII Roll No. : 1
School : Kangleipak Modern School, Singda

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।